ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



খাগেম্পল্লি হুইদ্রোম লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা নেসনল এৱার্দি লাইশ্রম সরতচন্দ্রগী মিংদা চহী খুদিংগী মণিপুর হোকরস এসোসিএসনদা পীদুনা লাকপা শেলগী তেংবাঙ লাইশ্রম ওংবী সুমোবালানা খৃৎশিন্নখিবা

থম্মোয় পাউদম : কুকিনা নহা অনী ফাজিনখিবা, মতুংদা... ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ 'সুইসাইদ বোমর' ওইনা লৈশৌ : মশা ঙাকথোকচনবগী...

"লাকশিনবা ঙমদ্রবা কুকি টেররিষ্ট ভুট" ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ অখঙ-অহৈশিং অমদি সোসল এক্টিভিষ্টশিংদা ...

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মীখলগী অরোইবা ফেজদা ভোটর চাদা ... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ ট্রাই নেসন্স ফ্রেন্দলি টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদবা ...

নোর্থ ইষ্ট কেন এন্দ বেম্বু দিভেলপমেন্ট কাউন্সিলনা অপুনবা ইমাগী মচাশিংগা খৃৎশম্নদুনা 'বেম্বু এন্দ কেন প্রোসেসিং' গী নুমিৎ ৩০নি চৎথগদবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোক্লদুনা ৱা পাম্বীদা ঈশিং চাইখিবা



Vol. 48, Issue No. 179 | য়ুমশকৈশা, লাংবনগী থাশু | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, October 02, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# থোইথোইবা ১সুং থোইথোই ফাজিনখিবগী মায়োক্তা পুং ২৪গী মণিপুর বন্দ কৌখ্রে





**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ২৭তা ন্যু কৈথেলমানবীদা লৈবা ৩৩-এ আরগী পোষ্টতা পাঙথোকপা রিক্রুটমেন্টগীদমক চৎমিন্নখিবা নহা অহুমগী মনুংদগী অমা থাদোরক্লগা অনীনা হৌজিক ফাওবদা মরী মখোঙ খঙদনা লৈরকপগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীনা মখোয় অনীবু থাদোরক্লবা লৈঙাক্লা শিনবীদ্রে হায়দুনা ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং ৩দগী কৌখিবা পুং ৪৮গী থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী জেনরেল ষ্ট্রাইকনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মহৌশাগী মীয়ামগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীখিবদা নত্তনা লেমহৌরিবা পুং ২৪গী খোঙজংদি মণিপুর পুম্বগী ওইনা জেনরেল ষ্ট্রাইক চঙশিল্লগনি হায়না জে এ সীনা লাউথোকখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## ইচা শিন্নবীদ্রবদি ঐ সুইসাইদ তৌদুনা শিজগনি : টি ঐচ শখি
## ইচাগী মশক উদ্রিবা ফাওবা চাক চাখিরোই : ওইনাম য়াইমা

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ২৭তা ন্যু কৈথেলমানবীদা লৈবা ৩৩শুবা এ আরগী পোষ্টতা রিক্রুটমেন্টগীদমক চৎখিবা নহা ৩ পুল্লপ কুকি টেররিষ্টশিংনা ফাজিল্লবা মতুং খেকমন মনীং লৈকায়দগী নিঙোম্বম জোন্সন (২২) অপোকপা এন সঞ্জয়না নুমিৎ অদুগী নুমিদাং অথেংবদা এ আরনা রেস্ক্যু তৌরগা পুলিসতা শিন্নরক্তুনা ময়ূম য়ৌরকখ্রবসু মহাক্না চৎমিন্নখিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭



থোইথোইবগী অপোকপী শখি লৈমা



থোইথোইগী অপোকপা য়াইমা

## থোইথোইবা অমসুং থোইথোই অথুবা মতমদা শিন্নগদবনি : ঙানবী



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচএনএস) :** সিফাইগী রিক্রুটমেন্ট য়াওবা চৎখিবদা কুকি টেররিষ্টশিংনা ফাজিনখিবদগী মফম খঙদ্রিবা থোইথোইবা অমসুং থোইথোইবু অথুবা মতমদা মমা ওইবীশিংদা শিন্নগদবনি হায়না ঙসি প্রেস ক্লবতা তোঙান তোঙানবা লূপ ১৯না পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল) গী প্রসিদেন্ট লৌরেম্বম ঙানবীনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়, রিক্রুটমেন্ট য়াওবা চৎখিবা অঙাং ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## য়ু কে এন এগী টাউন কম্মান্দর কাপ্পুনা হাৎলম্লে, এক্সিদেন্টদা মহৈরোয় শিরে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা নোংয়াই মতুং পুং ১২.৩০ রোম তারকপদা চুড়াচান্দপুর পি এসতগী অৱাং লোমদা কিলোমিটর ৬ লোম লাপ্না লৈবা লৈশাং খুলদা য়ুনাইটেদ কুকি নেসনল আর্মি (য়ু কে এন এ) গী চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী টাউন কম্মান্দর ওইবদা নত্তনা পি আর ওসু ওইবনি হায়বা শাংখোহাও হাওকিপ (৪২) শকখঙদবশিংনা ৱারী শানসি হায়দুনা কৌথোকখ্রগা ময়ূমগী গেট ময়াদা নোংমৈ মরূ ৩/৪ কাপশিন্দুনা হাৎলম্লে হায়রি। মহাকপু করম্বা মীওইনা করিগীদমক নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলল্লিবনো হায়বা খঙবা ঙমখিদ্রি।

অমরোমদা, ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা তাকয়েল খোংবালগী মফম অমদা ত্রকনা থোম্বদগী হোন্দা এক্টিভা থৌরগা স্কুল চৎখিবা তেরা শাদোকপমদগী নাওরেম জোন (১৫) অপোকপা এল সনাতোম্বা কৌবা মহৈরোয় অমা লায়কন্নবদা কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ রোম তারকপদা পোরোম্পাৎ পি এসনা কোল্লিবা ন্যু চেক্কোন লম্বী পরিংদা লৈবা 'বজার ইন্দিয়া' গী দ্রেন মনাক্তা নুপাগী অশিবা হকচাং অমা লৈরম্লে হায়রি। মহাক্কী মমিং মথা খঙবা ঙমখিদ্রি।

## মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী গেষ্ট ফেকল্টিশিংনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে





**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচএনএস) :** মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী কাঞ্চিপুরদা লৈবা এক্সটেন্দেদ কেম্পসতা ঙসি মহৈকোল অসিগী গেষ্ট ফেকল্টিশিংনা য়ুনিভর্সিটি অসিদগী এম সী এস কেদর ওফিসরশিং খুদক্তা লৌথোকউ, গেষ্ট ফেকল্টি মেম্বর ২৮ রিগ্যুলরাইজেসন তৌবীয়ু, চাং নাইনা ক্লাস তৌনবা ক্লাস রুমশিং চয়োল অমগী মনুংদা পীয়ু অমসুং থা ৯গী পীথোকফম থোকপা সেলরি পীথোকপীয়ু হায়বা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## অচম্বা থৌরমগা লোয়ননা সোরেপাগী মপোক নুমিৎ পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১:** ঙসি (ওক্টোবর ১, ২০২৪) সোরেপাগী মপোক নুমিৎ থৌরম কংলৈপাক/মণিপুরগী মনুং অমসুং মপান্দা অচম্বা থৌরমগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে হায়না সোসলিষ্ট রেভল্যুস্নরি পার্টি (সোরেপা), কংলৈপাক্কী পল্লিসিটি এন্দ ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি এম সী য়াইফবীনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, য়াওল্লুপ অসিগী ময়ায় লোয়শঙ, সী ঐচ ক্যু, বট্টালিয়ন ...মখা লমায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

